www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

Civil Services (Main) Examination, 2026

**KVMS–D–MNP**

# MANIPURI

## PAPER—II

## ( LITERATURE )

Time Allowed : Three Hours

Maximum Marks : 250

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Sections A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক নৎত্রগা মীতৈ ময়েক) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্লবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

MANIPURI

PAPER—II

( LITERATURE )

Time Allowed : Three Hours

Maximum Marks : 250

**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali/Meitei Mayek script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

Prepp
Your Personal Exams Guide

## SECTION—A

**1.** ꯔাহং খুদিংমক পাউখুম পীগদবনি, মখাগী ꯔাহংশিং অসি ꯔাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

*(a)* মৈদিংঙু থꯔানথাবনা কনা কনাগীদমক খুমনগী মথক্তা লান্দাদুনা লমন খুমখিবগে নৈনরকউ।

*(b)* খ্বাই নোংজেংবম পীবাবু হোৎনবা কনবা মীশক অমনি হায়বসি খুদমগা লোয়ননা ইরকউ।

*(c)* 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' লাইরিক্তা ইনিংথৌনা জিলা চঙদ্রিঙৈগী মাংজৌনবা থৌরাং অদুবু করম্না শৈথারম্বগে?

*(d)* 'সমসোক ঙম্বা' লাইরিক্তা মৈতৈনিংথৌগী লাল্লোঙবু করম্না ফোঙদোকলম্বগে? মরিক চুম্না ইরম্মু।

*(e)* পীতঙঙা লীকলু লৌথিবিনা মতৌকরম্না যুমজাও লাইরেম্বী ওনখিবগে? থৌদোক অদুগী মরমদা নৈনরম্মু।

**2.** ꯔাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি :

*(a)* পান্থোইবী কনানো? মহাক্না মতৌকরম্না খাবা শলাইগী শঙ্গাই থাদোকতুনা চৎখিবগে? থৌদোক অদুগী নুংগী ওইবা ꯔারোলদু শুগাইনা ইরকউ। 5+15=20

*(b)* রাবণ কনানো? রাম পোকপদা রাবণদা করি খুদম ফংখিবগে? মরি লৈনবা ꯔারীদু নৈনদুনা ইরকউ। 5+10=15

*(c)* খয়োয়রোন শম্ফবী কনানো? মাগী মোলাংখাদা লৈরম্বা লৈ নাচোমগী থৌদোকনা হোংহল্লকইবা পুন্সিগী মায়য়োন অদুগী মরীকচুম্না ইরকউ। 5+10=15

**3.** ꯔাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি :

*(a)* 'নুমিৎ কাপ্পা' লাইরিক্কী মতমদুগী সমাজিক অমসুং রাজনৈতিক্কী ওইবা ফিভমদু নৈনদুনা তাকলম্মু। 20

*(b)* 'নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা' লাইরিক্তা মৈতৈ অমসুং শেল্লোয় লংমাই অনীগী মরক্তা খন্নরিবা ꯔাখলদু ফোঙদোক্তুনা নৈনꯔারেং অমা ইরম্মু। 15

*(c)* 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' লাইরিক্তা অশৈবনা শৈথারিবা নিংথৌগী খোঙচৎ অদুগী মরমদা মচাতানা ইরকউ। 15

**4.** ꯔাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি :

*(a)* 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংব'গী ꯔারীসি পাউতাক য়াওবা (মোরেল তেল) ꯔারী অমা ওইনা নৈনরকউ। 20

*(b)* সমসোক ঙম্বা হায়রগা কনাবু খঙনবগে? মহাক্না অহল লমনগী য়াথংবু করম্না থবক ওইনা পাঙথোকখিবগে হায়বদু মচাতানা ইরকউ। 15

*(c)* আদিকাণ্ডগী ꯔারী লীরিবা অশৈবদু কনানো? মহাক্না কাণ্ডসিদা লীরম্বা অশ্বমেধ যজ্ঞগী ꯔারোলদু মচাতানা ইরম্মু। 15

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

## SECTION—B

**5.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি, মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

(*a*) 'লমগী চেক্লা অমদা' শৈরেংদা কবিনা চেক্লাদা থমলিবা মিৎয়েং অদু করিনো তাকলম্মু।

(*b*) শামুখোঙগী বিচারদা বিচারগী পোলোই অমসুং ৱারোইশিন অদুগী মরমদা শনদোকনা ইরম্মু।

(*c*) 'লমন' উপন্যাসগী তমুবীগী চরিত্র অদুগী মরমদা নৈনরম্মু।

(*d*) 'ৱানোম শরেং' ৱারীমচাদা ৱানোম্বগী মরুমদা শাগৎলিবা অকোয়বগী ফিভমদু নশাগী লোন্দা মচাতানা ইরম্মু।

(*e*) 'লান' ৱারেংদা ৱারেংবনা লানগী ৱাহন্থোকপু করম্না পীরম্বগে হায়বদু তাকলম্মু।

**6.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি :

(*a*) 'কংসবধ' কাব্যদা নারদনা মতৌকরম্না ধনুর্যজ্ঞগী থৌরমবু পাঙথোকহনখিবগে? মদুনা ওইহল্লকলিবা কংসগী পোলোইদু শনদোকনা ইরকউ। 10+10=20

(*b*) জর্জ সাহেবকী ইমুংদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মোৎ খেন্নবা উহল্লিবসিগী মরমদু তাক্তুনা শুগাইনা নৈনরম্মু। 15

(*c*) 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম' উপন্যাসকী প্রোতাগোনিস্ত অদুগী লীচৎ শাজৎ ৱাখল্লোনদু শনদোক্লা ইরকউ। 15

**7.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি :

(*a*) 'ইঙাগী নোং' অমদি 'মমাং লৈকায় থম্বাল শাৎলে' শৈরেংশিংদা অইবনা য়েকলিবা মতমদুগী মণিপুরী সমাজগী শক্তমদু মরিকচুম্না ইরকউ। 10+10=20

(*b*) 'করিনুংগী' ৱারীমচাগী হীরমদু করিনো? অইবনা মদুবু কয়ায়ম্না মায়পাক্লা ফোঙদোকপা ঙম্বগে হায়বদু মচাতানা ইরকউ। 15

(*c*) লাই হরাওবা কদাইবু কৌবগে? লাই হরাওবগী নুংগী ৱারোলগী মরমদা সি. ঐচ. মণিহারগী মোত মতুংইন্না নৈনরকউ। 3+12=15

**8.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি :

(*a*) 'জহেরা' উপন্যাসতা সমাজগী চৎনবীগা নায়ক-নায়িকাগী অপাম নুংশিগা মুকখায়নবগী মতৌঅমা উৎলিবদুগী মরমদা শনদোকনা ইরকউ। 20

(*b*) 'মেত্রিক পাস' ড্রামাগী নায়িকা কনানো? মাগী অনিংবা অপাম্বা অদুগী মরুমদা উবা ফংলিবা অফ-ফত্ত অদু শন্দোক্লা ইরম্মু। 15

(*c*) 'কলাগী মহৌশা' ৱারেংদা কলাগীদমক কলা ওইগদবনি হায়রিবসিগী মরমদু শুগাইনা তাকলম্মু। 15

★ ★ ★